## এডিটোরিয়েল

# সি সি মিটকী মঙ্গন হন্থরকপা

মণিপুর হায়রিবা ষ্টেট অসি কলচরগী হেক মথংদা স্পোর্সনা মালেমদা শক তাকই হায়না চাউথোক্লা ঙাংনরিবা মফম অমনি। মসিগী মথক্তা ইন্টর্নেসনেলগী থাক্তা মশান্না কয়াগী শান্নরোই পুথোরকপা ষ্টেট অমা ওইনা ইন্দিয়া পূম্বনা শক খঙলকপদগী স্পোর্টস পার্সনশিং শেমগৎনবগীদমক মখল মখা কয়াগী স্কিম অমদি প্রোজেক্ট কয়া পায়খত্তুনা ঙসিদি স্পোর্টস ইনফাষ্ট্রকচরশিং মতিক চানা শেমগত্তুনা কা হেন্না খুদোংচাবা কা লৈরবা ষ্টেট অমা হায়বদু ওইরে। মসিনা অঙাং ওইরিবা মতমদগী হৌরগা মাগী-মাগী স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিং চান্নগদবা য়েংলগা শেমগৎনবগীদমক স্পোর্টস একাদেমি অমা ফাওবা লিংদুনা লৈরে। মসিমক মমাংদা পানখীবা অমদি হুজিক পাল্লিবা সরকারগী অচৌবা মীয়ামদা পীবা খুদোলনি হায়না লৌবা য়াই। মতম অমদা মণিপুরদা হৌদোক্লিবা সি সি মিট হায়রগা খঙনরিবা চহি খুদিংগী অকক্লবা মতমদা পাংথোক্লিবা ফুটবোলগী টুর্নামেন্ট অসি খ্বায়দগী হেন্না চাওবা ফুটবোলগী লমদা পাংথোকপা টুর্নামেন্ট অমা ওইনা লৌনদুনা লাকখি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি য়েংলগা মপালগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা লনাই ক্লবশিং অমসুং তোঙান-তোঙনবা সেমী গভর্নমেন্টগী ওগর্নাইজেসনশিংনা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিং মখোয় মখোয়গী ওর্গনাইজেসনশিংদা য়াওহন্নবা খনগৎনবগী খুদোংচাবা কায়া পীখি। মসিদগী নেস্নেলগী থাক্তা মণিপুরগী ফুটবোল্লর কয়া অমা থোক্লকখিবনি হায়বসি হায়মনবা থোক্কনি নিংদে। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী টিম কয়া অমসু পার্টিসিপেট তৌখিবনি। মতমদুদা মণিপুরগী ফুটবোলগী থাক অসি য়াম্না অৱাংবা থাক্তা লৈরমখিবনি। মতমদুদা অমুকসু লৈরল্লীবা স্পোর্টসকী ইনফাষ্ট্রকচর অদুদি য়াম্না হন্থবা থাক অমগনি। অদুগুম্বা খুদোংচাবা কয়া লৈতবা মতম অদুদনা ফুটবোলগী মশান্না অসিদা শান্নরোই কয়া অমা পুথোকপা ঙম্লগা ঙসিনা ইনফাষ্ট্রকচর মতিক চানা লৈরবা মতুং অসিদা করিগীদমক মতিক চাবা অফবা শান্নরোই পুথোকপা ঙমদ্রিবনো হায়বসি হংনিংঙাই ওইরে। নাকল অমদনা ঙসিগী হৌরিক্লিবা অনৌবা মীরোলশিংদা শান্নখোৎনবদা থৱায় য়াওবগী চাং অসি চাংচৎতা য়েংবদা য়াম্না হন্থখিবগুম উই। মসিদগী অমুক থোক্লিবা প্রোব্লেম্না মখল মখা কয়াগী নিষাদা লাইচুবা নহারোল কয়া অমা থোক্লকপা অসিনি। নিষারোমদা তাউদুনা চৎখিবা অমসুং অকক্লবা মতম খরদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংবু পুক্লিং থৌগৎপদা সরকারগী ওইবা থৌশিল মরাং কাইনা লৈরম্বদা অদুদগী ঙসিদি মতিক চাবা শান্নরোই কয়া মরুওইনা অর্বান এরিয়াদগী পুথোকপা ঙমদবরা হায়বসি নৈনেনিংঙাই ওই।

হৌজিক মতম অমদা খ্বায়দগী মীয়াম্না ঙাইদুনা লৈরম্বা টুর্নামেন্ট অমা ওইনা লৌনরম্বা সি সি মিটতা অয়েংবা মীওইশিং য়াম্না হন্থরকপগী মওংদা লাক্লি। মসিদা শীল্লি লাংলিবা কাঙবুদা হেন্না পুক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্নমেন্টনসু অচৌবা মতেং পাংলগা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা অরিংবা ক্লবশিংগী পার্টিসিপেসন তৌহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। করিগুম্বা মপাল লমগী ক্লবশিংনা শরুক য়াবা তারগদি মখোয়গী স্কিল অমসুং টেক্নিক কয়া অমা শোইদনা মণিপুরগী নহা ওইরিবা মশানা অসি পামজবা মীওই কয়ানা দিভলাব তৌনবা হোৎনবা ঙমগনি। মসিগী মথক্তা অমুকসু ক্লবশিং অদুনা থাদরিবা অচৌবা শেনফম অমদি মদুগী মতুং ইন্না শান্নরোইশিংদা পীরিবা ট্রেনিং অমসুং কোচিং অদু তমহৌনবগী তাঞ্জা ফংগনি। মণিপুরদা অফবা ফুটবোলগী কোচ কয়া অমা লৈরি। মখোয়শিং অদুবু তোঙান তোঙানবা মণিপুরদা লৈজরিবা ক্লবশিংদা থানবা সরকারগী থৌরাং অমসু লৌখৎপা ফৈ। মণিপুরগী ক্লবশিংদি থোইদোক্লা মরানাই ওইনা ফন্দ য়াম্না চাওনা লৈবা নত্তবনিনা শান্নরোইশিং য়োংখৎনবা হোৎনবদা কা হেন্না শেনফম থাদবা ঙমদে। মরম অসিদগী অফবা শান্নরোই কয়া অতোপ্পশিংনা লৈনখিবদগী অনৌবা শান্নরোইশিংসু পুথোকপা ঙমদবগী মতাং অমরোমদা লৈ হায়না লৌবা তাই। অসিগুম্বা ফিভম কয়া অসিগা লোয়ননা মণিপুরগী ফুটবোল মশান্নবু পামজবা মীওই কয়ানা খৌরাংনা ঙাইনরম্বা সি সি মিটকী মঙ্গন অসি হন্থখিবসু ওইবা য়াই হায়ববু ওর্গনাইজরশিংনা মশান্না অসিবু পাম্বা মীশিংগী খল্লগা থবক তৌবগী মথৌ অমদি তাৱা হায়বসিদা মীৎয়েং চংহননিংঙই। অফবা মশান্না কয়া অমা ঙসিদি টেলিভিজন্দা টেলিকাষ্ট তৌদুনা উনরবনিনা মতৌ তম্বা হৈবা মণিপুরগী প্লেয়ার কয়া অমা শেমগত্তুনা মখোয়গী অহৈশিংবা কয়া অদু উখোক্লবা সিসি মিটনা অচৌবা তাঞ্জা পীরিবনি। মায়কৈ অশোমদা খরা পুক্লিং চঙশিন্দুনা সরকার অমসুং মণিপুরগী লীরবা ফুটবোল এসোসিয়েসননা অনৌবা থৌরাং কয়া পায়খত্তুনা সিসি মিট হান্নগুম্বা মঙ্গন লৈবা মিট অমা ওইহন্নবা শীলহলনিংঙই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# নাকল নাম্মতা উবীগনু

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌজিক ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লাক্লিবা পাব্লিক প্রাইবেট পার্টনরসিপ (পিপিপি) মোডেলগী মখাদা লমদমসিগী দিপার্টমেন্টশিং কোর্পোরেসনদা ওন্নবা অমদি হোটেলনচিংবা কয়াবু প্রাইবেট ফার্মদা শীন্নরগা আউট ছোর্স ওইনা থম্না হোৎনরক্লিবা থৌরাং অসি নাকল নাম্মতগী ওইবা, শান্না উবা ঙমদবা মিৎয়েংনি হায়জনিংঙই।

থৌরাং অসিনা মাঙজগদবশিং অদু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হান্না কুপ্না অমুক্তা খন্থহনজনিংঙই। গভর্নমেন্টকি দিপার্টমেন্টশিং প্রাইবেট ফার্মশিংনা পায়শিল্লকপা হায়বসি অহানবা ওইনা সেলরি ইকোনোমিদা হিংলিবা মণিপুর মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমা শোয়দনা পীরক্কনি খঞ্জে।

হান্না গভর্নমেন্টকী সেলরিদা হিংজরম্বা ইমপ্লোইশিংগী মোরেল দাউন তৌরক্তুনা থবক্কি প্রোগ্রেসতা অকায়বা ওইরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। জোব সেক্যুরিটি লৈতবনা মরম ওইরগা ইমপ্লোই খুদিংমক থবক থাদোক্লিংবগী মথকতা রিছোর্স লৈজদবা প্রজাশিগী ইকোনোমিগী ফিভমসু খম থেংনা শোকচিল্লকপা শোইদ্রবনি।

মরম অসিনা গভর্নমেন্টনা অসিগুম্বা থৌরাং অমা পায়খৎত্রিঙৈদা ইমপ্লোয়িশিংগী অকক্লবা নিয়ম অমা লৌথোকপা চঙৱা হায়না খল্লি। লোয়ননা সেলরিদা দিপেন্দ তৌবা লমদমসিগী ইকোনোমি অসি হোংদোকহনবা ঙম্বা ষ্টেট মশাগী ইনকমগী ছোর্স অমা মাঙজৌননা শেমগৎপা তঙাই ফদ্রে হায়জনিংঙই। মদু নৎত্রবদি থৌরাং অসিনা প্রজা মীয়াম শেল থুমগী লম্বীদা খম থেংনা অৱা চৈথেং পীরক্কনি।

অদোমগী
ঐচ. অরুন
মোইরাংপুরেল

# অচৌবা ইমুংগীসু অথুপ্পা

লৈবাক্কী ওইবা ফিরেপ লৌবা হায়বসি মতমগী মতুংইল্লি অমসুং মতমগী মতুংইন্না অচুম্বদু লাল্লকই, ফিরেপ অদু হোংবা তারকই। হকচিনবা মীৎয়েংদদি, মীদোমশিংগী কান্নবা নৎত্রগা মীয়ামগী কান্নবা, ওইজবা মন্ত্রীক্লরগা লৈবাক্কী তুং কোইনা য়াইফবদা যুম্ফম ওইরগা লৌরকপা ফিরেপ অদুনি, লৈবাক্কী য়াইফবনা শেন্নরিবা। খুদম ওইনা পল্লবদা - ফেমিলি প্লান্নিং চথবগী ৱাফম অসিনি। হীরম অসিমক লন্নাই মীৎয়েংদগী ঙাক্তা নত্তনা, করম্বা চৎন-কাঙলোনগী মখাদা তঙায়ফদবা ওইহনখিবনো অমসুং মদুগী তুংকোয়বা ৱাখৈরোল থিবা মায় পাক্লোইদ্রা হায়বসি হঙ্গৎনা য়েংবা তারকই।

মমাঙথক্তা মীয়াম খঙনা নৎত্রগা খঙদনা হীরম কয়াগী পুৱারী ঈচেল ফাৎলুবদগী, মদুগী ফংফম থোকপা মহৈনা তপ্না-তপ্না ঙসিগী মীরোলগী মতমদা লাক্লি। ঙসি চত্থরিবা লৈবাক্কী অফ-ফত্তগী থবক থৌওংশিংগী মহৈনা হয়েং তুংলমচৎকী মীরোলগী মথক্তা তারক্কদবনি হায়বসি মাঙজৌননা উখোক্লি। হন্দক্তা থোকখিবা তোপ-তোপ্পা খুন্নাইগী লুপ অমনা লৈবাক মাঙদা ইকায় খুম্নবা উত্তুনা মনা-মথুম পীখিবদু পনবদা মতীক চাই। মদুনুংগী ৱাহন্থোক লৈ হায়বগী পাউজেল পুবা মীয়াম অমগী খোঞ্জেলনি।

মীশিংনা পোকখায়দৌরবা ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী লায়রবা লৈবাকশিংদা ফেমিলি প্লান্নিং থৌশিল চথবা হায়বসি য়াম্না মরম চাবা অমদি তৌদ-য়াদ্রবা অমনি। ইন্দিয়াগী মীশিং অসি ক্রোর ১২১.২ (২০১১) ওইদুনা হৌখিবা কুমজা ২০০১-২০১১ গী মনুংদা মীশিং ১৮১,৪৫৫,৯৮৬ হেনগৎখ্রবনি। হেনগৎপগী চাং চাদ ১৭.৬৪ খক্তনি। হায়বদি, মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি চাংচৎ অমদা চহিদা ক্রোর ১.৮ হেল্লি। নুমিৎ খুদিংগী ইন্দিয়াগী অঙাং ৪৬০০০ হেন্না পোক্লি। মিনিট অমগী মনুংদা অঙাং ৩০ মুক পোকপগী চাংদা লৈরি। হেনগৎলিবা চাং অসি চহি ২০ মতুংদদি শরুক অনি ওইরবা য়ারি। মীশিং হেনগৎপগী চাং ৱাংবা অসিনা প্লান্নিং অমসুং লৈঙাক থৌদা অসিনচিংবদা পুঙম-থাংঙমদ্রবা শীংনবা পীরকপা মরম্না ফেমিলি প্লান্নিং তঙায়ফদে হায়বা অসিনি।

মালেমগী অতৈ লৈবাক ৪০ মুক্লা তৌনবগুম্না, ইন্দিয়াসু অঙাং অনি (নুপা অমা নুপী অমা) না লোইরে হায়বা যুম্বাল থৌশিল পরেং অমা চত্থদুনা লাক্লি। থৌশিল অসিগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌওং মঙা থোক্লা খায়দোক্লগা ইন্সেন্টিব থৌশিলশিং পায়খৎলিঃ (১) যুম্বাল থৌশিল পরেং অসিগী খুদোংচাবা ফংহল্লিবা হেল্ঠ পার্সোনেল (ওফিসিয়েল) শিংদা শেল পীবিবা নৎত্রগা বোনস পীবা, (২) যুম্বাল থৌশিল পরেংগী খুদোংচাবা ফংলিবা মীওইশিংদা মেডিকেলগী নৎত্রগা সর্জরিগী চঙখিবা মমল ওইনা শেল নৎত্রগা খুন্নাইগী ওইবা কান্নবা খুদোংচাবা পীবা, (৪) লৈবাক্কী ওইনা (নেস্নেল) চত্থরিবা পান্দমশিং অসি পাঙথোকপদা নৎত্রগা হেন্দোক্লা থবক পাঙথোকপদা শরুক য়ারিবা মীওই কাঙলুপশিং নৎত্রগা খুন্নাইগী ওইবা কান্নবা খুদোংচাবা পীবা, (৫) যুম্বাল থৌশিল পরেং অসি চত্তবা মীওইশিংবু চৈরাক পীবা নৎত্রগা ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং মৎপা অসিনি।

**হাওবা**

থৌশিল অসিগী মখাদা খুদোংচাবা ফংহল্লিবা মতৈ মনাওদা মতম অমুক্তদা হকথেংননা শেল পীথোকপগী থৌরাং অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরা য়াওনা, বাঙ্গলাদেশ, খা কোরিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কানচিংবদা চত্থখি। মশানা য়ানা ষ্টেরিলাইজ তৌবা মীওইদা লুপা ৩০ পীবদগী মথং মথং শেনফমগী চাং হেনগৎনা পীবা লৈখি। মতৈ মনাওদা নত্তনা ঈথিল পীবা মীওইশিং (মোটিভেটর) অমসুং মখোয়বু পুশিল্লক্লিবা মীওইশিং (প্রোভাইদর) বুসু ইন্সেন্টিব অমদি শেনফমশিং পীখি। অসুম্না খুমাং চাওশিনবা খোঙথাং অসিনা প্রাইমারি হেল্ঠ সব-সেন্টরগী মশিং য়াম্না হেনগৎহনখি অমসুং চহিদা অঙাং লীশিং-লীশিং পোকপা য়াবদগী ঙাকথোকপা ঙমখি হায়না লৌনখি। অদুবু মরকসিদা, হন্থবা কাঙলুপকী লায়রবী নুপীশিংবু নম-হাদুনা ষ্টেরিলাইজেসন তৌখি হায়বগী ৱাথোকসু লৈখি। মণিপুরদসু মীতৈশিংনা ফেমিলি প্লান্নিং মায় পাক্লা তৌনখি। অতৈ কাঙলুপশিংদি কয়া তৌখিদে। মসিগী ফংফম থোকপা মহৈদি সেন্সস য়েংলগা খঙগনি। হঙ্গৎনা য়েংফম থোকপদি, যুম্বাল থৌশিল পরেং মতুংইন্না, মসিগী খুদোংচাবা ফংলিবা নুপা-নুপীনা করম্বা তুংকোইবা য়াইফ-থৌরাংগী খুদোংচাবা ফংখ্রবগে হায়বসিনি। মসিদা লৈঙাক্লা নমথাক তৌবগী মরাল লৈব্রা হায়বসি য়েংখৎনিংঙাইনি।

চিনাদসু সহর লমদা অঙাং অমা অমসুং খুঙ্গংলমদা অঙাং অনিগী মপু ওইবা ইমুং কাঙলোন চৎনৈ। তৌবদবু ইমুং অদু খ্বাইদগী ফরবা অমসুং মখল মথেলগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। হেল্ঠ কেরদা খ্বায়দগী ফরবা খুদোংচাবা, মিডল স্কুল থাক ফাওবা লেম্না মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। মপা-মমাসু খ্বায়দগী ফরবা মখলগী যুম (হুসিং), অফবা থাক্কী থবক, তোঙানবা থা-থাগী ষ্টাইপেন্দ, হেন্না চাউবা লমগী মপু ওইহনবা অমসুং পেন্সন মতমদা শেনফম য়ামহনবা অমসুং মতম ঙনখৎপনচিংবগী খুদোংচাবা পীরি। সিঙ্গাপুরদদি ইমুং অমদা অঙাং অহুমদগী হেন্দবা অমসুং স্কুল তম্বদা খুদোংচাবা পীরি। খা কোরিয়াদদি অঙাং অনিদগী হেন্দবা ওইহন্দুনা মেডিকেল কেয়র, অর্বান হাউসিং অমসুং শেনফম য়াম্লবা পেন্সন ফংহল্লি। চৈরাক পীবগী মরীদদি, চিনাদা অঙাং ১-২ দগী হেল্লবদি থা খুদিংগী ৱাকোংশেল থীহল্লি, হান্না ফংখিবা খুদোংচাবা পুম্বা ফংহন্দে। অদুবু চিনাগী অঙাং অমত্তা পোকপগী থৌশিল অদু কোমথোক্লগনি হায়না চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিনা নবেম্বর ১২, ২০১৩ দা লাউথোকখিবা লৈখ্রে। মপা অমসুং মমা অদু মতোম-মতোমদমক পোকপা ওইরবদি সহর লমদা ইমুং অমনা অঙাং অনি শুবা য়াগনি হায়না পার্টিগী সেন্ট্রেল কম্মিটি কনফরেন্সতা ৱারেপ লৌখিবনি।

মাঙদা তারিবা ৱাফমদি, মীশিং হন্থরকপগী অকিবা মায়োক্লরবা মণিপুরদা অঙাং য়ামদনা পোকপগী মীৎয়েংদসু, অঙাং শেন্বীবা ঙমদ্রবা লায়রবনা মীশিং হেনবা ইমুংশিংনা মসিবু পান্নবগুম্না তৌরি। লৈঙাক কাঙলোন চুমদ্রবা ঙসিগী লৈঙাক্লোন অসিনা মহাক্কী মীয়ামগী পীফম থোকপা হিংনবগী, চানবগী অসিনচিংবা হকশিং ফংহন্দবা অসিনা মচা মশু শেম্বা ঙমদনা তোক্লগদ্রা হায়না মিপাইনৈ। মসিনা মপা মমাবু কিহনবা মরম্না অপীকপা ইমুং খনবা তারকই। অদুবু হৌজিক্তি, লিবরেল ইকোনোমি চৎনরকপা অমসুং গ্লোবেলাইজেসনগী থবক থৌওং কয়ানা মীয়ামগী হিংবগী মফম হেনগৎহল্লে, মীয়ামগী শেন্থুমগী ফিভম চাংচৎ অমদা ফগৎহল্লে। লায়রবা মপা মমানা অচৌবা ইমুংগী মপু ওইবা ঙমহনবা তাঞ্জাসু লাক্লে।

অমরোমদসু, মণিপুরদা ফেমিলি প্লান্নিং চৎনদবা মরুওইবা কাঙলুপ্তি মীতৈ পাঙলশিংনি। চাংচৎ অমদা মখোয়গী ইমুংশিং অচৌবা ইমুং ঙাক্তনি। মখোয়গী ইমুংগী মশিং য়াম্লবা মীকোক খুদিংমক থোইদোক্লা মতীক চাদবা অমত্তা য়াওদে। অদুম্নমক হৌ-হৌ চাউরকপগা খুন্নাইগী চৎনলোন য়েংনা অমসুং খঙনা ফন-ফন চোংথোক্লরকই। মখোয়গী মীদোমশিং মতীক চাহনবা অমসুং অচৌবা ইমুং ওইহনবদা মালেমগী থাক্তা মীৎয়েং থল্লিবা মুস্লিম খুন্নাইনা শৌগৎলি। মসিগুম্না মীতৈ হিন্দু খুন্নাইনা তৌদে, মরন্নাই ওইহল্লি।

থোইদোক্লা অৱাবদি, হৌখিবা চহিশিংদা মরিপুর তম্পাক্কী মীশিং খংহন-হন্থরকখিবা অসিনি। চীংগা চাংদম্নবদা শরুক অনিগী মথক্তা খেন্নরি। খুন্দামিন্নরিবা চীংমীশিং, মীতৈ পাঙল, মীতৈ বামোনশিং লৌথোকখ্রগা লেমহৌবা মীতৈ হিন্দুশিং অমসুং মীতৈ সনামহিশিংগী 'মীশিং হেনগৎপগী চাং য়েংলবদি পাখৎতনিংঙাই লৈরোই। লোয়ননা, কংলৈপাক্তা পোকফম শাৎফম ওইদুনা মালেমগী লৈবাক অমত্তদা লৈত্রবা সঙাইগা পাম্থক ওইরবা অমসুং শা-লান্না কয়ারক হন্না খুন্তাকহনখ্রবা মীতৈশিংগী খুঞ্জাও লৈচাওহন্নবা পান্দম পুথরিবা উমং লাইগী পাউজেলনা চহি কুমশিং লেপ্তনা মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা থেংলবা অহিং তাংলৌদা মীতৈগী লোনবদগী লোল্লবা ওইথংবা নাকোংদা পাওমেল্লক্লিবসি অরেম্বা তাহল্লবরা?

# নুংঙাইবনা পীরিবা চৈথেং

ঐনা অঙাং ওইরকঙৈদগী থিদুনা লাকপা নুংঙাইবদু ঙসিসু ফংদনা পুক্লিং-ৱাখলদা অৱাবখক পুদুনা লাক্লি। নুংদা ঙাইদুনা লৈরিবদুমক নুংঙাইবা হায়বদুরা খল্লকই। হৌজিক্কি মীকুপ অসিখক ঐনা নুংঙাইবদু লৌহৌদ্রবদি ঐনা মতুংদা খক ফংবা ঙমগনি থাজদ্রে। তুংদা নুংঙাইরক্কনি খন্দুনা ঙাইদুনা ঐ খক লৈথোক্লিংদ্রে। ঙাইবা হায়বসিদা ফংলিবসে অৱাবনি। অদুবু ঙাইবদা নুংঙাইবা অমসু লৈতবদি নত্তে। মসিমদি অশেংবসু ওইদে। ঐনা ইচা চাউরগা নুংঙাইনি খল্লুই। মীকুপকি অৱাবশিংবু ঐনা লাইনা খুদুম চনখি। আশা তৌনা মৈশা কয়াবু অয়ুক্তি লীক্লাগুম খনবা ঙমখি। ঙসিদি পুম্নমক মায়াগুম ইফমদগী তপ্না-তপ্না মাংখ্রে সুপ্নতগী পুক্লিং-ৱাখলদা মৈচাক-মৈপুন হৌবা নত্তনা। ঐ খল্লে হেঞ্জিনবা অপাম্বনসু পুন্সিবু তাঙ্গোয় তাহল্লি। নুংঙাইবা পামদবা মীওইদি কনাসু লৈত্রে মালেমসিদা। পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংফাও মমাগী মথাদা নুংঙাইনা তুমজবা নৎত্রগা শান্নজবা পামলি। অঙাংনা নুংঙাইবা পাম্বদি কনাদসু কাইরুদে, মমাদুখক ৱাজবা নত্তনা। অদুবু পুংকক চাউরবদগীনা অহল ফাওবনা পাল্লিবা নুংঙাইবদি অশেংবদু নত্তে, অৱাবগী মশক্লি। য়ৈথোক-য়ৈথোক্তুনা থল্লিবা নুংঙাইবসি আশানি। আশানা মীকুপকি নুংঙাইবশিং কাউথোকই। আশাদুনা কাইখ্রবদি ঙাইজরম্বা নুংঙাইবদুসু থুনমক মাংখি। হয়েং নুংঙাইরক্কনি হায়দুনা ঙসিগী নুংঙাইবদু ফংহন্দনা অরেম্বদা মাংহনখি। মসিমক ঐগী অশিংবা থৌওং নত্তে। ঐগী নুংঙাইবনা অতোপ্পা মীবু শোকহন-ৱাহল্লবদি মদুমক অশেংবা ঐগী নুংঙাইবা নত্তে। মপানগী ওইবা নুংঙাইবনা ঐবু মমৈদা অৱাবা পীরবদি মদু নুংঙাইবা কৌদে। ঙসিগী মীপুম খুদিংনা তান্নরিবা নুংঙাইবা হায়রিবসি তশেংনা অৱাবগী মশক্লি। শেলনা মীবু নুংঙাইবা খক পীদে। মীওইবা ঐখোয়দা য়াওরিবা অপাম্বাসিনা নুংঙাইবগী ওন্ন-তৈনবদু পুরকই। পুক্লিং শান্তি ফংদ্রবা মালেমসিদা কনানসু নুংঙাইবা হায়বদু ফংলোই। সরকারগী থবক তান্নরিবা খুদিংমক অৱাবনা তান্নবা হৌরকই হায়বা খঙদনা লাইরিক তম্নরি। ঙসিদি সরকারগী থবক পামদবা কনাসু লৈতে। শেল তিংনা মহৈ মশিং তমলি, তলপ চারবসু নুংঙাইবদি ফংদ্রি। পেন্নাইদবা মীওইবনা অহাংবা মরুভুমীদা মায়াগী নুংঙাইববু মরি চিকানি খঙদনা কোইতান তাল্লি। ফংবা কৌবা লৈত্রবসু নুংঙাইবদি তান্নবদুদা ফংলি। মসিমক্তি লমহুইনা অকংবা শরূ শাইবদা মখয়াত্তগী ফংবা ঈদা পেঞ্জ-নুংঙাইজবদুগা পাংখক্লি। অচৌবা ফম পায়দুনা শেলয়াম তাল্লিবা মহাক্লা খঞ্জে নুংঙাইবদি মহাক্লা মরোইরে। অদুবু মাগী অশেংবা নুংঙাইবদি মদুনা খক পুরক্তে। ঐসু হন্দক্তি ক্লাকৈথেল মোইরাং পুরেলদা লৈরিবা প্রজাপিতা ব্রহ্মকুমারী ঈশ্বরীয় বিশ্ববিদ্ধালয়দা চৎলুবদা অশেংবা নুংঙাইবা হায়বদু খঙলকই। মখোয়না ওম শান্তি হায়বা ধৰ্ম্ম অমখক মালেমদা য়েন্নবা হোৎনবনি। অদুবু ঙসিগী মৈরৌ হেঞ্জিন্না ফৎখিদ্রবা মীওইবশিংদদি ইরৌ লৌগনি হায়বা থাজদে। ঐনা পামজরিবা নুংঙাইবদুগা মখোয়না খল্লিবা নুংঙাইবগা য়াম্নমক খেন্নরি। মখোয়গীনা থৱায়গী ধৰ্ম্মনি, ঐগীনা হিংবগী ধৰ্ম্মনি। ঐগী চাকখাউগী লান্দা ধৰ্ম্ম কয়া মায়থিদুনা লাকখ্রবনি। ইতু-ইচা অমদি ঐগী পুক্লিং-ৱাখলগী মায়ানা তান্নরিবা নুংঙাইবগা ধৰ্ম্মগী অশেংবা নুংঙাইবগা মরক-মরক্তা য়েৎখায়নরকই। মী-মীগী নুংঙাইবসু মান্নদে। ঐনা লাইরিক ইদুনা ফোংবদা নুংঙাইজবা লৈ। কনাগুম্বনা যু থাক্তুনা, জ্বার শান্নদুনা নৎত্রগা নুপী নহাগা কেখ্নবদা নুংঙাইজবা লৈ। মাগী মাগী ৱাখলনা শাগৎনবা মাগী-মাগী নুংঙাইবনি। ঐনা নুংঙাই খঞ্জরম্বা অদুসু ঙসিদি অৱাবা ওল্লকই। মীলালনা অইবা ঐখোয়দা অকনবা মীৎয়েং কয়া থল্লকই। ঐখোয়গা খুল্লোন্নবদা লৈবা নাওরেম অহঞ্জাউ হন্দক্তি দষা তাই। মানা তরক-তরক ৱানা ইজবা "থোইনু" কৌবা ড্রামাগী লাইরিক্তু, মীলালনা য়াখিদে। মীলালনা য়াদবা লাইরিক্তা এৱার্ড পীবা য়ারোই হায়না থিংলকই। অদুবু শিংনগে মতাগুম ৱাংজিংগী সাহিত্য ফুরুপনা অহানবদা এৱার্ড লাম্থোকখি। ইকুই কুইদনা মদুগী মতুংদা কক্চিংগী সাহিত্য লুপ অমনা অমুকসু অথিংবা লৈরিবা লাইরিক অদুমক্তদা এৱার্ড লাউথোরকই। ঙকই ঐদি থক-থক নিকপমখৈ। মখোয়গী লাল্লক্তা ঐ লাইরিক ইবা-ফোংবা কিশিল্লকই। মসিনি ঐগী নুংঙাইবা হায়বদুনা অৱাবা ওল্লকখিবা। সাহিত্য লুপ মখোয়সু হেনমল্লি। অসুক য়াম্না লৈরিবা লাইরিক্তা এৱার্ড পীদদনা করিগী হঞ্জিন-হঞ্জিন অমখক্তা পীরিবনো? অফবা লাইরিক হায়বসি কনানা খল্লিবনো? ঙসিদি ঐসু সাহিত্যবু তুক্কচরকই। মমাংদা ইচে বরকৈন্যগীসু ৱাথোক লৈখি। সাহিত্য একাডেমিনা পীবা এৱার্ড কল্লকপদগী শেঞ্জ-থুমজাগী অরোনবা মাইখুম হাংদোকখ্রবদুনি।

থৌনা ফনা ইচে বরকৈন্যানা শিংনখিবনি। মদুগী মহৈনা চহী অমত্তদা দিল্লি অমদি মণিপুরনা এৱার্ড অনি পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রবনি। ঐনা ময়ুম চত্তুনা নুংঙাইবা ফোংলুই। হুরানবা পামজবা সাহিত্যকারশিংগী মমাংদা ইচে বরকৈন্যানা কয়াদা মায়থোং মকা লামখি খল্লুবদা অমুকসু নুংঙাইবা ফাওজে। হৌজিকসু পীকখ্রবা ইরমদমসিদা এৱার্ড লুম্বা অইবা কোকথোং অমা লৈরি। মখোয়গীদমক ঐদি য়াম্না ইকায়বী। মী-মীগী ৱাখল তোঙানবনা মখোয়গী নুংঙাইবসু খেন্নরি অমগ-অমগা অদুবু ওম শান্তিনা য়েল্লিবা মীওইবগী নুংঙাইবসিদি খেন্নবা লৈতে, অশেংবা-অচুম্বখক্তুনি। মসিবু মীরাইদুনা ঐগী পুন্সিবু অৱাবা শেন্নমই। কল্লকপা মীহৌবনা তাল্লিবা ঐগী নুংঙাইবা হায়বসিমক অৱাবগী মশক্লি। হন্দক চহীনা লোইরমদাইদা ফোংনখিবা লাইরিক ময়াম অঙকপনি। মীলালনা চহী হৌবদগীদি লোলয়ান য়াওবা লাইরিক ফোঙবা থিংলে। মদুগী ওইরম্বা য়াই তকখৎনদুনা ফোংখিবা অদু। অইবগী নিং-তম্বা, নুংঙাইবদু ঙসিদি মীলালনা লান্দারক্তুনা তপ্ন-তপ্না মাংহনবা হৌরক্লি। মসিবু অচুম্বা থৌওংলা তত্তনা থম্মোয়দা হংজরি। লাইরিক ইদুনা ফোংবা হায়বসি অৱাবনি। ফোংখ্রবা মতুংগীসু তাঙ্গোয় ওনখ্রদরা খনবগী মীপাইজবনি। অসুক ৱাবা থবকসিবু ঐনা করিগী মমাংদা নুংঙাইজবা অমনি খল্লুবনো হায়ফম খঙদে। মীওইবা অমনা মীওইবা অমবু অৱাবা পীবা হায়বসি ধৰ্ম্ম শুংথোক থোক্তে। ধৰ্ম্ম লৈতবা মীনা খুরক হাংদ্রবা মতমসিদা পুক্লিংনা পাল্লিবা নুংঙাইবসিদি মৈরীনি, মৈচাক্লি অমদি চৈথেংনি।

**কোংখাম রাথো**

# রাইট টু ইনফোর্মেসন এন্দ ওব্লিগেস্ন ওফ পব্লিক ওঠোরিটিস

## ঈ- পাও লৌবগী হক অমসুং পব্লিক ওঠোরিটি(সরকারগী) থৌদাং:-

মমাংগী নিংথৌকাবগী মখা...

(২)ইনফোর্মেসন গী রিক্বেষ্ট তৌরিবা এপ্লিকেন্ট অদুনা মহাকপু কনটেক্ট তৌনবগী দরকার লৈবা দিটেল অদু নত্তনা অত্মো মশাগী দিটেল শিং নৎত্রগা ইনফোর্মেসন তানবগী মরম পীবগী দরকার লৈতে।

(৩) করিগুম্বা পব্লিক ওঠোরিটি অমদা ইনফোর্মেসন গীদমক এপ্লিকেন্ট থারবা-

(এ) ইনফোর্মেসন অদু অত্মো পব্লিক ওঠোরিটি অমগী খুৎতা লৈরবা নৎত্রগা

(বি) মদুগী মরমসিং অদু অত্মো পব্লিক ওঠোরিটি অমগা হ্নো মরী লৈনবা ওইরবদি।

পব্লিক ওঠোরিটি অদুনা হায়বদি অহানবগী এপ্লিকেসন লৌশিল্লিবা পব্লিক ওঠোরিটি অদুনা এপ্লিকেসন অদু নৎত্রগা মদুগী দরকার লৈবা শরুকশিং অদু ত্রান্সফার শরুকশিং অদ ত্রান্সফর তৌগনি অমসুং এপ্লিকেন্ট অদুদা ত্রান্সফার তৌখিবদু খংহনগনি।

অমসুং সব সেক্সন দা পীরিবদুগী মতুং ইন্না অসুম্না এপ্লিকেন্ট ত্রান্সফার তৌবা অসি য়ারিবমখৈ থুনা তৌগনি অমসুং থেংলবদা এপ্লিকেসন রিসিপ্ট তৌবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৫ নিগী হ্নো থেংথরোইদবনি।

৭(১). সেক্সন ৫ গী সব- সেক্সন (২) নৎত্রগা সেক্সন ৬ কী সব- সেক্সন(৩) গী প্রোভিজন গী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার অদুন সেক্সন ৬ কী মখাদা করিগুম্বা রিক্বেষ্ট অমা ফংলবদি মদু য়ারিবমখৈ থুনা অমসুং থেংলবদা এপ্লিকেসন রিসিপ্ট তৌবা নুমিৎতগী নুমিৎ কুনথ্রানিগী মনুংদা পীফম থোকপা ফি লৌরগা ইনফোর্মেসন পীথোক্কনি নৎত্রগা সেক্সন ৮ অমসুং ৯ দা পীরিবা নিয়ম মতুং ইন্না রিজেক্ট তৌথোক্কনি।

অদুগা করিগুম্বা পান্নীবা ইনফোর্মেসন অদুনা কনাগুম্বা মীওই অমগী লাইফ অমসুং লিবরটি কী মরমদা ওইরবদি রিক্বেষ্ট তৌরকপা নুমিৎতগী পুং নিফুনিপানগী মনুংদা ইনফোর্মেসন পীগদবনি। মথং মথং

(২) সব- সেক্সন(১) গী মখাদা পীরিবা অদুগী মতুং ইন্না করিগুম্বা সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার নৎত্রগা ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার নৎত্রগা ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার অদুনা অকক্লবা পীরিবা মতম অদুগী মনুংদা ইনফোর্মেসন অদু পীরক্তবদি মদু সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার নৎত্রগা ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার অদুনা রিজেক্ট তৌরে হায়না লৌগনি।

৩) করিগুম্বা ইনফোর্মেসন অদু পীননবা অহেনবা ফি খরগা লৌননবা ৱারেপ লৌরগদি সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসর নৎত্রগা ষ্টেট পব্লিক ওফিসর অদুনা রিক্বেষ্ট তৌরল্লবদি মীদুদা ইনটিমেসন পীরক্কনি,মখাগী মরমসিং অসি পীদুনা:-

(এ) মহাক্লা লেপ্লিবা ইনফোর্মেসন পীনবগী অহেনবা ফি গী দিটেল শিং লোইননা সব- সেক্সন (১) গী মতুং ইন্না প্রিস্ক্রাইব তৌবা ফি গী চাংদগী হেনগৎলকপগী এমাউন্ট অমসুং করম্না তারকপনো হায়বগী মরমসিং পীদুনা অহেনবা ফি অদু দিপোজিট তৌনবসু মহাক্লা রিক্বেষ্ট তৌগনি। সব- সেক্সন দা হায়রিবা নুমিৎ কুন্থ্রানিদা ইনর্ফোমেসন পীবা হায়বদুদা অহেনবা ফি পীনবগী ইনটিমেসন থাবা অমসুং ফি পীনবগী মতম অদুদি পারোই।

(বি) অহেনবা ফি লৌনবগী ৱারেপ অদু রিভিয়ু তৌবিয়ু হায়বগী মহাক্কী রাইট লৈ হায়বগা লোইননা এপ্লিলেট ওঠোরিটি গী পার্টিকুলর অকক্লবা মতম,প্রোসেস অমসুং অত্মো মরমসিং।

৪) এক্ত অসিগী মখাদা রেকোর্ড অমা নৎত্রগা মদুগী শরুক খরা য়েংহনবা তারবা অমসুং য়েংগদৌরিবা মী অদু ৱাখল মপুং ফাদবা মী ওইরবদি সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসনওফিসার নৎত্রগা ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার অদুনা ইন্সপেক্সন অদু মপুং ফানবা অমসুং ইনফোর্মেসন অদ মপুং ফানা ফংনবা মতেং পীগনি।

৫) করিগুম্বা ইনফোর্মেসন অমা নমথোক্লগা নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক ফোর্মেট তা পীবা তারবদি এপ্লিকেন্ট অদুনা সব- সেক্সন (৬) কী মখাদা দরকার লৈবা ফি অদু পীগদবনি,

অদুগা সেক্সন ৬ কী সব- সেক্সন (১) অমসুং সেক্সন ৭ কী সব সেক্সন (১) অমসুং (৫) কী মখাদা প্রিস্ক্রাইব তৌরিব ফি অদু রিজনেবল ওইগদবনি অমসুং সরকারনা ব্লো মতুং ইন্না বিলো পোভর্টি লাইন গী মীওইশিংদগীদি অসিগুম্বা ফি অসি লৌরোই।

মথং মথং....